# খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদা উ-ৱা য়ান্থৎতুনা ইশ্বোল কোয়বা খুদক্তা লেপহল্লু

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স মনুংদা লন্নাই মীওইনা চঙশিন্দুনা ইশ্বোল কোয়শিনবা, চৎনা কাঙলোনগী ৱাংমদা লৈশিন্দুনা তৌনীংবা তৌরিবসি অথুবা মতমদা য়েংশিনবীয়ু। মণিপুরগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মফম অমা ওইরিবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি খরা মশক থোক্লা লৈহনসি।

সেক্যুরিটিনা ঙাক শেন্দুনা থল্লিবা মফমসিদা মীতোপ চঙহল্লগা উ-ৱা য়ান্থৎলগা ইশ্বোল কোয়রিবসি কনামতা উদ্রবরা? কমপ্লেক্স অসি মপূ পান্দবা তৌনীংবদা তৌবা য়াবা মফম ওইহল্লিবসি করিগীনো? স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমনি হায়রগদি মদুগী চপ চাবা মগুর লৈহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু য়েংশিনফম থোকই।

অমরোমদা হৌজিক অসি লন্নাই মীওই মশা ফহন্নীংবা কয়াসু অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা ৱাক্কিং চৎপা মায়কৈ কয়াদগী থোমজিন্নরক্লি। মপান্দগী চঙলক্লিবশিং অসিগীসু রুল অমা শেল্লগা য়ামদবা শেনফমদা থা অমগী ফি খরা খরা লৌরগা চঙহল্লবদি কমপ্লেক্স অসি নালহনবদা খরদংদা ওইরবসু মতেং ওইনগনি।

হৌজিক উরিবা মওং অসিদি মায়কৈ কয়াদা অহোবনা থল্লে। স্পোর্টসকী ওইবা মফমসিদা মীওই কয়া চঙশিন্দুনা তৌনীংবা তৌরকপা অসিনা অশেংবা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনীং তৌজবা মতমদা অপনবা ওইরে হায়রি।

চঙবা অমদি থোকপা মতমদা কার্দ অমা পীদুনা চল্লাইরগদি নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া থোকপদগীসু শোয়দনা কনবা ঙমগনি। কমপ্লেক্স মনুংদা স্পোর্টস করিনো খঙদবা কাঙবুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাশিনবা, চুরুট থকচিনবা, কমপ্লেক্স মনুংদা লৈবা নাপি শোংবা মফমদা চঙলগা তৌনীংবা তৌবসি থিংবা পাম্মী হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।



অদুগা খুমন লম্পাক্কী মমাঙথংবা অমদি অৱাং থংবা মায়কৈদা শারিবা গেট, খারিবা চেকপলশিং অতেক অকায় অমদি অনেম্বা গেট ওইবনা চোঙথোক চোঙশিন তৌবা য়াবা মফমসু ওইরে।

মরম অদুনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি মশক থোক্লা লু-নান্না থম্নবা অকোয়বশিং অসিগী ফীভম করম তৌরিবগে হায়বসি য়েংশিনবীয়ু।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
### স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মিৎয়েং অমা

লন্নাই মীওই ফাওবা চঙশিল্লক্লগা মতম শাংনা ইশ্বোল কোয়শিনবা, উ-ৱা য়ান্থৎপদা করিমত্তা হায়দনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরিবসিদি চুমদে। স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিদা ঙৈহাক লৈতনা হুরান চিন্থি থোক্লিবা, পোৎমাং চৈমাঙ তৌরিবসি হীরমসিদা য়েংশিনবা ৱাৎপদগীনি।

মতমগা চান্নরক্রবা, নুপী অঙাং ফাওবনা ইরায় লায়না চোঙথোক চোঙশিন ঙম্লবা গেটশিং অসিসু নিংথিনা শেমজিনবীয়ু। কমপ্লেক্স অসিগী অকোয়বদা খারিবা চেকপলশিং অসিসু কদাই কদাইদা অশোয় অঙাম লৈরিবগে হায়বদুসু য়েংশিনবীয়ু।

অদুগা লোয়নন্না খুমন লম্পাক্কী অশেংবা মশক তাকপা গাইদ লাইন ওইবা য়াবা বোর্দ অমসু চঙফম গেটশিংদা থম্বীবা চুম্মী। দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিবু উনীংবা, খঙনীংবা স্কুলগী মহৈরোয় কয়াসু ইতৎ তৎতনা লাকপা য়াওই। ইম্ফাল তম্না লাকপা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা মতমদা কংলা মনুং চঙদুনা য়েংলবা মতুংদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অদুমক য়ৌশিল্লন্মী। মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা হায়রগদি খুমন লম্পাক অসিনি।

হৌজিক লৈরিবা মওংসিদি অমুক্তা লাক্লিবা মীওই অমদদি কদাই কদাইদা করি লৈবগে থিবদা ককঙাওনবসু শোয়দনা পোকহনগনি।

# কিদম্বী শ্রীকান্থনা ইন্দোনেসিয়া ওপন টাইটল লৌখিবদগী বি দব্লিয়ু এফ রেঙ্কিংদা হাইগৎখিদুনা ১১ শুবা মফমদা লৈখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ২২ :
কিদম্বী শ্রীকান্থনা হৌজিক ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সোন ৱান হোবু চয়োল অনীগী মনুংদা অনীরক মায়থীবা পীদুনা বি দব্লিয়ু এফনা নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা মফমদগী কাখৎতুনা ১১ শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে।

শ্রীকান্থনা সাউথ কোরিয়ন অসিবু হৌজিক চথুরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন সুপর সেরিজগী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা ইন্দোনেসিয়া ওপন টাইটল লৌখিবা মতম অদুদা মহাক্কী ৱর্ল্ড রেঙ্কিং অদু ২২ শুবদা লৈখিবনি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা শ্রীকান্থনা জপানিজ কাজুমাসা সকাইবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

চয়োল অনীগী মনুংদা সোন ৱান হোনা অনীরক মায়থীখ্রবসু সাউথ কোরিয়ন অসিনা অপূনবা পোইন্ট ৭২৯৬৮ ফংদুনা মখা তানা অদুমক ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী অহানবা মফমদা লেংদনা লৈরি। শ্রীকান্থনা অপূনবা পোইন্ট ৫১৬০৩ ফংদুনা মহাক্না হান্না লৈরম্বা মফমদগী ১১ কাখৎলগা ১১ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

শ্রীকান্থকী মতুংদা ফেলো অজয় জয়রামনা ১৫ শুবা পোজিসন্দা লৈখি। অদুগা বি সাই প্রানিথনা ১৬ শুবা মফমদা লৈখি। মখোয় অনীনা বি দব্লিয়ু এফনা নৌনা থোকখিবা রেঙ্কিং চার্ট অদুদা মফম ২/২ কুমথখি। ঐচ এস প্রনোয়না মফম মরি কাখৎলগা ২১ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

নুপীগী রেঙ্কিংদা ওলেম্পিক শিলভর মেদলিষ্ট পি ভি সিন্ধুনা হান্না লৈরম্বা মফমদগী মফম অমা হাইথরগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখি। মহাক্কী ওলেম্পিক্কী ওপোনেন্ট কারোলিনা মারিনসু মফম অমা কুমথরগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

চাইনিজ টাইপৈগী টাই টজু য়িংনা লিষ্টকী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। সাইনা নেহৱালনা নুপীগী কেটোগোরিদা মহাক্কী হান্না লৈরম্বা মফমদগী তাথরগা ১৬ শুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে। পি ভি সিন্ধু অমদি সাইনা নেহৱালনা বি দব্লিয়ু এফকী নুপীগী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংগী টোপ ২৫ ফাওবগী মনুংদা চনবা ঙম্বা শট্টলরশিং ওইবা ঙমখি।

# কিক বোক্সিংগী ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ :
ইন্দিয়ন এসোসিএসন ওফ কিক বোক্সিং ওর্গেনাইজেসন (আই এ কে ও) গী থৌশিল মখাদা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ আসাম (কে এ এ) না শিন্দুনা গুৱাহাটিগী রজিব গান্ধী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ওগষ্ট ২৪ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এ কে ও নেসনল কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ (২২ শুবা সব জুনিয়র, ২২ শুবা জুনিয়র অমদি ২৩ শুবা সেনিয়র) তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী কিক বোক্সিং টিম শেম্নবগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা জুলাই ১ দা পাঙথোক্লগনি।

কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোঙদোরকপা মতুং ইন্না হায়রিবা ত্রাইএল সেলেক্সন অসি জুলাই ১ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা লাইরিকয়েংবম অৱাং লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ত্রাইএল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানিংবা থৱায় য়াওবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিএসন, ক্লব, ওর্গেনাইজেসন-শিংগী কিক বোক্সিংগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারনবা খঙহল্লক্লি। অকূপ্পা মরোলগীদমক কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মোইরাংখোম বজারদা লৈবা ওফিসতা লাক্তুনা খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# খোইবি সলামবু ইন্দিয়াগী টিম মেনেজর ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুন ২২ :
বেঙ্কোক্তা লাক্লিবা জুলাই ১ দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৮ শুবা এসিয়ন য়ুথ মেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী য়ুথ বোক্সিং টিমগীদমক বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (বি এফ আই) গী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা) গী সেক্রেটরি জেনরেলসু ওইরিবা খোইবি সলাম্বু ইন্দিয়ন টিমগী মেনেজর ওইনা খল্লক্লে।



ইন্দিয়াগী য়ুথ মেন বোক্সিং টিমগী টিম মেনেজর ওইনা খল্লক্লবা খোইবি সলাম্না দেল্লিগীদমক থা অসিগী ২৬ তা ইম্ফাল থাদোক্কনি অমদি মহাক্না ইন্দিয়ন বোক্সিং টিমগা লোয়ননা থা অসিগী ২৭ তা বেঙ্কোক্কীদমক ন্যু দেল্লি থাদোক্কনি হায়না মণিপুর অমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# রোহন বোপান্না-ইভান দোদিগনা এগোন চেম্পিয়নশিপকী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে





লন্দন, জুন ২২ :
রোহন বোপন্না অমসুং মহাক্কী ক্রোসিয়ন পার্টনর ইভান দোদিক্না মফম অসিদা চথুরিবা এগোন চেম্পিয়ন-শিপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন পীর্স অমদি ফিনলেন্দগী হেনরি কোন্টিনেনবু মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

ইন্দো ক্রোসিয়নগী দো অসিনা ওষ্ট্রেলিয়ন ফিনিসকী দোবু ৭-৬, ৪-৬, ১০-২ দা মায়থীবা পীখি। বোপান্না-ইভান দোদিগক্না ৱিমব্লেদনগী ৱার্ম অপ ওইরিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা মতিং লৈনা শান্নরকখিদুনা অহানবা গেম অদু ৭-৬ তা মায় পাকখি। অদুম ওইনমক বোপান্না অমদি দোদিগনা অনীশুবা গেমদা ওষ্ট্রেলিয়ন ক্লিনসকী মখূৎতা ৪-৬ তা লৈখ্রবসু অরোইবদা মায় পাকখি।

বোপান্না অমদি দোদিক্না সেমী ফাইনেল মেচতা ফ্রেন্সকী দো জুলিন বেনেটিয়ু-ইদৱার্দ রোজর-ভেসেলিন অমদি অমেরিকাগী ব্রয়ান ব্রদরসকী মরক্তা মায় পাকপা জুরা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলস মেচতা ইন্দিয়াগী লিএন্দর পেস অমদি কনাদাগী অদিল শমাসদিন্না চিলিয়-বেলারসিয়নগী টিম হান্স পোদলিপনিক-কাষ্টিলো অমদি এন্দ্রে বাসিলেভসিকিবু ৭-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা লাষ্ট ফোরদা খুমাঙ চাউশিনখি। পেস অমদি শমাসদিন্না সেমী ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়ন দো লুক সাভিলে অমদি জোন মিল্লনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫০

১. চহী মরিগী মমাঙদা কুমজা ২০১৩ দা বির্মিংহামগী বার হোটেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা কিন্না থিনখিবগী ৱাথোক ওইখিবা ইংলেন্দগী শান্নরোয় অদু কনানো?

২. কুমজা ১৯৬০ দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসকী ফুটবোলদা চেম্পিয়ন ওইখিবা টিম অদুগী শান্নরোয় ১০ খক্তনা ফাইনেলদা শান্নখি। তান্থোকখিবা শান্নরোয় অদুগী মরাল করিনো?

৩. নুপাগী প্রোফেসনেল বাস্কেটবোল লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবী নুপী অদু কনানো?

৪. মহাক ওলেম্পিক্কী লমজেল মতেক চেনবগী চেম্পিয়ননি। ওলেম্পিক্তা মহাক্না লমজেল চেনবা খুদিংগী মহাক্কী ত্রেক সুইট অদু হোংই। মহাক্কী মপুরোইবসু ওলেম্পিক চেম্পিয়ননি। মহাক্কী মমিং করি কৌই?



৫. উৎলিবা লাই (ফোটো) অসিদা বোল পায়দুনা চোঙখৎলিবা শান্নরোয় অসিগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০ ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইন্দিয়াগী বাস্কেটবোল টিমনা ব্রিক্স গেমসতা মায়থীদুনা লৈহৌরে



গ্বাংজৌ, জুন ২২ :
ইন্দিয়ন বাস্কেটবোল টিমনা মফম অসিদা চথুরিবা ব্রিক্স গেমসতা ফংখিবা মেচ অহুম্মক মায়থীদুনা লৈহৌরে।

ইন্দিয়ানা গেমস অসিগী ওপনিংদা চাইনাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা থাক ৱাংনা লৈরিবা য়ূম্বু চাইনাগী মখূৎতা ইন্দিয়ানা ৯৭-৫৭ তা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অমজয়োট সিংহ গিলনা পোইন্ট ২৬, রিকিন পেথানিনা পোইন্ট ১২ লৌদুনা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স উৎখ্রবসু টিমবু মায় পাক্লবগী লম্বীদা পুশিনবদি ঙমখিদে।

চাইনাগী টাও হান লিন্না পোইন্ট ১৮, লিয়ু জিয়াও য়ুনা পোইন্ট ১৪ লৌদুনা টিমবু মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। ইন্দিয়ানা ফিবা এসিয়া কপকী মাঙওইননা মরুওইবা মেচ প্রেক্টিশ চথুদুনা লৈরিবনি।

গেমস অসিসু ইন্দিয়ানা মেচ প্রেক্টিশকী মনুং চন্না শরুক য়াখিবনি। গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা ফংখিবা অনীশুবা মেচতা রসিয়াগা শান্নখি। মদুদা রসিয়ানা ইন্দিয়াবু ৮৮-৫৮ দা মায়থীবা পীরমখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অমজয়োট সিংহ গিলনা পোইন্ট ২০, রিকিম পেথানিনা পোইন্ট ১৩, জীবনাথম পানিদনা পোইন্ট ১২ লৌখি। মায় পাকখ্রবা রসিয়াগী ইভলেভ ব্লাদিমিরনা পোইন্ট ১৭, জখারোভ দেনিসনা পোইন্ট ১৪ লৌখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেচতা ইন্দিয়ানা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীখ্রবসু মায়োক্নখিবা সাউথ অফ্রিকাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা সাউথ অফ্রিকানা ইন্দিয়াবু ৮৮-৭৫ দা নমহৎলমখি।

মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী অমজিয়োট সিংহ গিলনা পোইন্ট ৩২, রিকিন পেথানিনা পোইন্ট ১৮ লৌখি। অদুগা মায় পাকখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী ফুমানি মারহানেলেনা পোইন্ট ২১, থাবো সিথোলনা পোইন্ট ১৮ লৌখি।

গেমস অদুদা ইন্দিয়ানা চাইনাগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী কেপ্তেন বিসেস ব্রিগুবানসিনা মশাদা অশোকপা লৈখিবদগী নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে।

লৈবাক মঙানা শরুক য়াদুনা চথুখিবা গেমস অদুগী বাস্কেটবোল ইভেন্টতা রসিয়ানা চেম্পিয়ন অদুগা য়ূম্বু চাইনানা রন্নর্স-অপ তাখি।

পনবা য়াই, ব্রিক্স গেম অদুদা ব্রিক্সকী লৈবাক মঙা ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমদি সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয় ৩০০ না মশান্না অহুম - বোল্লিবোল, বাস্কেটবোল, ৱুশুদা অথোই অহেন তান্নখিবনি।



HL-B/3934/11/6-10/7

লেঙশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।
ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স
